# কৃগী থিজিনবদা টর্কিশ পুলিসনা ফার্ম ৪৪ দা রেইদ তৌখ্রে, ইগজেক্যুটিভশিং দিটেন তৌখ্রে



ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ১৬ ঃ

টর্কিশ পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইষ্টানবুলদা লৈবা কম্পেনি ৪৪ দা মতম অমত্তদা রেইদশিং চথখ্রে অমসুং কম্পেনিগী ইগজেক্যুটিভ ১২০ ফাজিনখ্রে। রেইদশিং অমসুং মীফাশিং অদু হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি কূ এটেম্প অদুগী মতাংদা থিজিনবগী শরুক অমনি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা অনাদোলু এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

কম্পেনিশিংদুবু য়ু এসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ক্লারিক ফেতুলা গুলেনগী ঈহৌদা শেলগী মতেং পী হায়না মরাল শীখি। গুলেনবু কূ অদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না টর্কিনা মরাল শীরিবনি।

অমরোমদা গুলেননি কূদুদা মহাক চেন্নখিবগী ৱাফম অমত্তা য়াদ্রি। কম্পেনি ৪৪ মক মমিং অমত্তা পনখিদে। পুলিসনা ইষ্টানবুলগী উসকুদর অমসুং উমরানিয়ে দিষ্ট্রিক্টশিংদা থীবা হুম্বা হৌখি। থিরিবশিংদুগী মনুংদা মমিং থোন্দবা হোল্ডিং কম্পেনি অমগী বিল্ডিংশিং য়াওখি হায়না এজেন্সি অদুনা ফোঙদোকখি।

ফেল ওইখিবা কূ অদু চথখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৫,০০০ ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ১৭,০০০ দি হৌনবী মতুং ইন্না ফাজিন্দুনা থমখি অমসুং টর্কিগী মিলিটরি, লো-এন্দ-ওর্দর এদ্যুকেসন অমসুং জষ্টিস সিষ্টেমশিংগী মীওই লিশিং কয়া সস্পেন্দ তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা ক্লারিক গুলেনবু হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা টর্কি অমসুং মপান লৈবাকশিংদা লিংখৎখিবা স্কুলশিং, চেরিটিশিং, অমসুং বিজিনেসশিংগী পাক চাউরবা নেটৱার্ক অমা শিজিন্নদুনা ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংদা চঙশিল্লি অমসুং খুৎ থিংজিল্লি লোয়ননা লৈবাক অদুবু পায়শিনবা য়ানবগী পান্দমদা 'পেরেলেল ষ্ট্রকচর' অম শেমখি হায়না মরাল শীরি।

মহাক্না থা অসিদা গুলেনগা মরী লৈনবা বিজনেসশিংগী রেভিন্যুশিং থদৎকনি হায়না চেকশিলনা ফোঙদোকখি। অদুগুম্বা বিজনেসশিং অদু টেররিজমগী মকোলশিংনি হায়রদুনা মহাক্না মখোয়গী মরূ ফুক্তোকপদা মীনুংশি অমত্তা উৎলোয় হায়না ফোঙদোকখি।

ফেল ওইখিবা কূ অদুগী মমাঙদা ইস্লামিক লেন্দর বেঙ্ক এস্যাবু ওথোরিটিশিংনা সিজ তৌশিনখি, মিদিয়া কম্পেনি কয়া পায়শিনখি নৎত্রগা থিংজিনখি, বিজনেসমেন কয়া ফাজিনখি। ক্লারিক অদুগী মুভমেন্টদা ফন্দশিং থাদখি হায়বগী মরালদা খোঙথাংশিং অদু লৌখৎখিবনি। কূ এটেম্প অদুদা মীওই ২৪০ হেন্না শিখিবনি।

কৃগী ইনভেষ্টিগেসন অদুগী শরুক অমা ওইনা পুলিসনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পুলিসনা ইষ্টানবুলগী এসিয়ারোম থংবা মায়কৈদা লৈবা মরু ওইবা কোর্ট হাউস অমদসু থি-হুমখি। মখোয়না কমপ্লেক্স অদু জুদিসিএল পার্সনেল ৮৩ ফানবগী ৱারেন্টশিংগা লোয়ননা রেইদ তৌখি হায়না অনাদোলুনা ফোঙদোকখি। মদুগী নুমিৎকী মমাঙগী নুমিৎতুদা সিটি অদুগী য়ুরোপিয়ন সাইদতা লৈবা টর্কিগী খ্বাইদগী চাউবা কোর্ট হাউস য়াওনা জষ্টিসকী হোল অহুমদা চথখিবা রেইদশিংদা য়ামদ্রবদা কোর্ট ষ্টাফ ১৩৬ দিটেন তৌখি।

ইনভেষ্টিগেসনদুগী শরুক অমা ওইনা রুলিং এ কে পার্টিগী হান্নগী লো মেকর এয়দিন বিয়িক লিওগলু একাদেমিক তরেৎকা লোয়ননা ব্লেক সিগী ত্রাজবোন সিটিদা ফাজিন্দুনা থমখি হায়না অনাদোলুনা ফোঙদোকখি।

# কাশ্মিরগী ৱাফমগী মতাংদা ৱারী শানবগী মওং ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না লেপকদবনি : য়ু এস

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৬ ঃ

কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না ৱাহৈগী লাল অমা শোক্লদুনা লাক্লিবদুদা য়াওশিন্নিংদবা উৎলদুনা য়ু এসনা হায়খ্রে মদুদি, কাশ্মিরগী ৱাফমদা খন্ন-নৈনবগী খোঙজেল, স্কোপ অমসুং কেরেক্টর লৈবাক অনীনা লেপচগদবনি।

'কাশ্মিরগী মতাংদা লৈরিবা ঐখোয়গী পোজিসন্দা অহোংবা লৈতে। ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারী শানবগী খোঙজেল, স্কোপ, কেরেক্টর অদু নাকল অনীনা লেপকদবনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না লৈবাক অনীগী মরী হেন্না নকশিন্ননবা লৌখৎলকপা পোজিটিভ খোঙথাং খুদিংমক ঐখোয়না শৌগৎলি' হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সপার্সন এলিজাবেঠ ত্রুদিয়ুনা হায়খি।

নুংতিগী পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্সতা ত্রুদিয়ুনা ঙসি হায়খি, 'থোক্লিবা ঈরাংশিং ঐখোয়না খঙই অমসুং লুনা লৌই। ঐখোয়না মায়কৈ খুদিংমকপু ঈং-চিকপা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা হোৎননবা পুক্নিং থৌগৎলি।' অদুম ওইনমক ত্রুদিয়ুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংতম নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক মীয়ামদা পীখিবা স্পীচতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদি পীখিদে।

'ঐহাক্না মোদিগী কম্মেন্টশিংগী মতাংদা করিমত্তা ঙাঙলোয়। ৱাফম অসিগী মতাংদদি মশাদা হংগদবনি হায়না ত্রুদিয়ুনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা পীখিবা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী স্পিচ অদুদা বেলেচিষ্টান অমসুং পাকিষ্টান্না পায়শিল্লিবা কাশ্মিরগী শরুক্তা পাকিষ্টানিশিংনা মীওৎ-মীনৈ চথবগী মতাংদা পনখি।

মোদিনা মহাক্কী নিংতম নুমিৎকী স্পিচকী ৱারোলদুদা বেলেচিষ্টান, গিলগিট অমসুং পাক ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) গী মীয়াম্না হন্দক্তা মঙোন্দা থম্মোয় শেংনা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি হায়না পনখি।

মোদিগী ৱাফমশিংদুগী পাউখুম ওইনা পাকিষ্টান্না হায়খি মদুদি, মহাক্না বেলোচিষ্টান অমসুং পি ও কেগী মতাংদা পল্লিবদু মালেমগী মীয়ামগী ৱাখলবু জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা থোক্লিবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোকশিংদগী চিংথোকখিনবনি।

হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি হাৎখিবদগী অকনবা ঈরাং থোক্লকখিবা কাশ্মিরগী ফীভমগী মতাংদা পাকিষ্টান অমসুং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা পীখিবা কম্মেন্টশিংগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান্না ৱাহৈগী লাল অমা শোক্লদুনা লাক্লিবনি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ু এসতা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা কাশ্মিরগী ইস্যুগী মতাংদা ৱাশিংটন্না খুৎ থিংজিন্নবা তকশিনখিবা মতমদা য়ু এসনা নৱাজ শরিফকী ৱাফম অদুবু রিএক্ট তৌখি অমসুং ইস্যু অদুগী মতাংদা য়ু এসকী ফিরেপতা অহোংবা লৈতে হায়রদুনা ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদপু দাইলোগ তৌনবা পুক্নিং থৌগৎকনি হায়খিবনি।

# গুৱান্টানামো বেগী দিটেনী ১৫ অমুক্তদা য়ু এ ঈদা থাখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৬ ঃ প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন মনুংদা অমুক্কী খুফাদা দিটেনী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফাবা থৌদোক ওইনা য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসতা গুৱান্টানামো বেগী দিটেনী ১৫ থাখ্রে হায়না য়ু এসনা ফোঙদোক্লি।

পেন্টাগনন্না হায়রি মদুদি, য়েমেনি নেসনেল ১২ অমসুং অফঘান অহুম ট্রান্সফর তৌরিবা অদুনা ক্যুবাদা লৈবা য়ু এসকী ফেসিলিটি অদুদা লৈরিবা ফাদোকশিংগী মশিং পুন্না ৬১ দা হন্থখ্রে। থাদোকখিবা ইনমেটশিং অদু চার্জ অমত্তা তৌদনা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবনি। মখোয় খরদি চহী ১৪ হেন্না থম্লকখি হায়রি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা জেল অদু মহাক্না ওফিস থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা থিংজিনবা পামই। গুৱান্টানামো বে অসি ক্যুবাগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা অমেরিকান নেভল বেজ অমদা থম্বা মীফাশিং থম্নবগী ফেসিলিটি অমনি।

কুমজা ২০০১ গী সেপ্টেম্বর ১১ গী এটেকশিং অমসুং মদুগী মতুং তাবদা য়ু এসনা লুচিংদুনা অফঘানিষ্টানদা লান্দাখিবা অদুগী মতুংদা মীরৈবাকমচা টেরর সস্পেক্টশিংবু ফাজিন্দুনা থম্নবগীদমক্তা জেল অদু হান্নগী য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশনা কুমজা ২০০২ গী জন্যুৱারীদা হাংখিবনি। ফেসিলিটিদু হাংখিঙৈদগী মীওই ৭৭৯ মফমদুদা থম্নবা পুরকখি।

হৌজিক গুৱান্টানামো বেদা ইনমেট ৬১ ফাজিন্দুনা থল্লি। ফেসিলিটি অদুদগী থাদোক্লবা এপ্রুভ তৌরবা দিটেনী মশীংনা ২০ নি। দিটেনী তরেৎ ক্রিমিনেল চার্জশিং মায়োক্লবগা লোয়ননা মখা তানা ফাজিন্দুনা থমগদবা দিটেনী মশীং ৩৪ ওইরগনি। কুমজা ২০০৩ গী জুনদা জেল অদুদা পুন্না মীওই ৬৮৪ থমদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা দিটেনী মশীং ওইখি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা হায়রি মদুদি, গুৱান্টানামো বে লৈবনা য়ু এসনা টেররিজম থেংনবদা তঙাই ফদনা মতেং লৌবা চঙলিবা লৈবাকশিংগা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবদা অকায়বা পী।

'গুৱান্টানামো বে অসি য়ু এসকী ভেল্যুশিংগা তায়োন্নে, মসিনা মালেমদা লৈবাক অসিগী থাক হন্থহল্লি, রুল ওফ লোগী সপোর্টতা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাক অসিগী পোজিসনদা মসিনা চাউনা অকায়বা পী' হায়না ওবামানা হায়খি।

মফমদুদা থল্লিবা ইনমেট অয়াম্বা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীদ্রি অমসুং হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মফমদুগী দিটেনী অমত্তগী মতাংদা ৱায়েল অমা ফাওবা তাবা লৈতে হায়না ওবামানা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

মদু রন তৌবদা চহী খুদিংগী দোল্লর মিলিয়ন ৪৪৫ চাদিং তৌদুনা কা হেন্না চাদিং চঙহনবগা লোয়ননা ফেসিলিটি অদুনা জিহাদিষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্ট হেনগৎহল্লে হায়না ওবামানা থাজে।

# য়ু এসকী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং টর্কিদগী লৌথোক্লবা থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৬ ঃ

টর্কিদা লৈঙাক্কী তং-তাদবা অমসুং মথোং মরম খঙদবা ফীভম লৈরে অমসুং লৈবাক অসি সিরিয়াগী লালগী জোনগা য়াম্না নক্নমল্লি হায়রদুনা য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা টর্কিগী ইনসিরলিক এয়র বেজদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং ৱিঠদ্রো তৌনবা তকশিনখ্রে।

নন-প্রোফিট থিঙ্ক টেঙ্ক ষ্টিমসননা ইনসিরলিক এয়র বেজদা থল্লিবা অমেরিকান ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগী সেফটিগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ১৫ দা টর্কিদা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদবা মিলিটরি কূ অদুদা বেজ অদুগী কম্মান্দরসু কূ এটেম্প অদুদা শরুক য়াখি হায়বগী মরালদা ফাখি।

টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা ইনসিরলিক বেজ মপানগা অমত্তা শম্নহন্দনা থমখি। ফেসিলিটি অদুগী ইলেক্ট্রোনিক পৱার কনখৎখি অমসুং এয়রক্রাফট অমত্তা এয়রফিল্ড অদুদা পাইশিনবা নৎত্রগা মদুদগী পাইথোকপা থিংখি।

'সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা য়েংবদা সিরিয়ন বোর্দরদগী সুপ্নগী মাইল ৭০ দমক থাপ্না লৈবা ইনসিরলিক এয়র বেজদা থল্লিবা অমেরিকাগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ৫০ রোমবু মখা থানা থম্বা হায়বসি অফা-ফত্ত করি থোক্লগদগে হায়বা খঙদবা ফীভম অমদা থম্বগা চপ মান্নে হায়না আর টি ওনলাইন্দা রিপোর্ট অদুগী কো-ওথর লাইসি হীলিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

'খুৎলায়শিং অসি য়ুরোপকী বেট্টলফিল্ডদা কান্ননিংঙাই ওইদ্রে। ঙসিদি খুৎলায়শিং অসি নেটোগী মীচঙশিংদা কান্নবা পীবগী মহুত্তা খুদোংথীনিংঙাই ওইবগী ফীভমনা হেল্লি' হায়না সিমসন সেন্টরদা বজেটিং ফোর ফোরন এফ্যের্স এন্দ দিফেন্স প্রোগ্রামগী ফেলো অমা ওইরিবা হীলিনা হায়খি।

অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও অমা শোক্লরকপা মতমদা সোভিয়েট টেঙ্ক আর্মিশিং য়ুরোপকী লালবুংশিংদা চঙশিল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী মখোয়বু থেংননবা অমসুং দিটরেন্টশিং ওইহন্নবগীদমক্তা কুমজা ১৯৫০ গী মতুং চহীশিং অমসুং কুমজা ১৯৬০ গী মতুং চহীশিংদা য়ু এসনা য়ুরোপ অমসুং টর্কিদা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র বোমশিং পুশিনখি।

অমেরিকান ন্যুক্লিয়র খুৎলাই অয়াম্বা য়ু এস এস আর কায়রবা মতুং কুমজা ১৯৯০ গী মতুং চহী খরগী মনুংদা য়ুরোপতগী পুথোকখি। তৌইগুম্বসু কান্নফম খঙদ্রবা চাউরাক্না বি-৬১ বোম ১৮০ হৌজিকসু নেটোগী মেম্বর ষ্টেটশিং ওইরিবা বেলজিয়ম, ইটালি, জর্মনি, নেদরলেন্দস অমসুং টর্কিগী য়ুরোপিয়ন এয়র বেজশিংদা লৈরি।

হৌজিক মতমগী মিসাইল এয়র দিফেন্সশিংনা এটম-বোমশিংগী শিজিন্নফম লৈহন্দ্রে, বোম্মর অমত্তা য়েক্লবগী টেরটরিদা পায়বা ঙমহল্লরোই। ফীভম অসি লৈদুনসু য়ু এসকী নেসনেল ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটি এদমিনিষ্ট্রেননা হৌজিক য়ু এসকী ষ্টোক্তা লৈরিবা বি-৬১ বোম ৮০০ গী মনুংদগী ৪৮০ গী সার্ভিসকী মতম শাংদোক্লবা দোল্লর বিলিয়ন ৮ চাদিং তৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

মসিগী চাদিং অসি দোল্লর ত্রিলিয়ন ১ গী চহী ৩০ গী প্রোগ্রামগী ফ্রেমৱার্ককী মনুংদা পায়খৎপা থৌরাংনি। বোমশিং অসি মোর্দন ৱারফ্যেরদা চানদ্রে অমসুং শিজিন্নবা, থম্বদসু শেল য়াম্না চঙই' হায়না সিমসন সেন্টরগী কো-ফাউন্দর অমসুং রিপোর্টকী কো-ওথর বেরি ব্লেচমেননা হায়খি।

# টালিবানন্না বাঘলানগী দিষ্ট্রিক্ট অমা পায়শিনখ্রে

কুন্দুজ, কাবুল, ওগষ্ট ১৬ ঃ

নেটোনা লুচিংবা কোলিসনবু অফঘানিষ্টানদগী নমদুনা তান্থোকখিনবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ইস্লামিক লো চৎননবা হোৎনরদুনা টালিবান লালহৌবশিংনা নুমিৎ কয়ানিমুক লাল শোক্লরবা মতুংদা নোরদর্ন প্রোভিন্স বাঘলানগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা পায়শিনখ্রে হায়না নিংথৌকাবদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবানগী লালহৌ অদু মহৌশাগী মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ডশিং ওইরিবা লৈবাক অদুগী খা অমসুং নোংপোকথংবা শরুকশিংদগী মতম অমদা ঈং-চিক্লম্বা অৱাং থংবা লমদমশিংদা শন্দোরকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টান্দা লাল কনখৎলকখ্রে। য়ু এস অমসুং অফঘান ৱার প্লেনশিংদগী সপ্পোর্ট ফংবা তারবসু গভর্ণমেন্ট ত্রুপশিংনা অখাঙ কনবা টালিবান ফাইটরশিং থেংনবদা অৱাবা অমা ওইরি। টালিবান লালহৌবশিং হৌজিক হান্নদগী হেন্না নিংথিনা ট্রেন তৌরে অমসুং হেন্না ফবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পায়রে হায়না সিনিয়র অফঘান ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

বাঘলানগী দেপ্যুটি পুলিস চীফ অমির গুল হুশাইনখিলনা হায়খি, দহন-ঈ-ঘোরি দিষ্ট্রিক্ট মতম খরা লাঙ্গোয় চন্দুনা থমখি অমসুং টালিবানন্না মদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা পায়শিনখি। অফঘান ফোর্সশিং মফমদুদগী খোঙ্ফম হন্দোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অদু লালহৌবশিংনা থা কয়ামুক কিহন্দুনা লাকপা প্রোভিন্স অদুগী কেপিটেল পোল-ঈ-খোমরিগা থংননা লৈ। 'অফঘান ফোর্সশিংনা নুমিৎ কয়ানিমুক লাল শোক্লখি তৌইগুম্বসুং থোইদোকপা মতেং অমত্তা লাকখিদবদগী মখোয় হন্দাকপা তাখি অমসুং টালিবানন্না দিষ্ট্রিক্ট অদু কেপচর তৌখি। টালিবানগী এক্সন অদুদা অফঘান পুলিস মঙা শিখি' হায়না হুশাইনখিলনা রোইটর্জদা হায়খি।



টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলা মুজাহিদনা হায়খি, ফাইটরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অদু পায়শিনখ্রে অমসুং মখোয়গী অঙৌবা ফিরাল চিংখৎখ্রে। 'অফঘান অমসুং মিলিস্যা কয়ামুক হাৎলে অমসুং লান্মী ৩৩ ফারে' হায়না ঈমেলগী খুথাংদা মিদিয়াদা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মুজাহিদনা হায়খি।

নাকল অনীমক ইন্দিপেন্দেন্ট ভেরিফিকেসন য়াওদনা মীশি-মীনাগী ফিগরশিং য়াম্না তোয়না থাদোকই। বাঘলানগা কুন্দুজ প্রোভিন্সকা লোন্ননা লৈ। কুমজা ২০০১ দা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না অফঘানিষ্টানদগী থোকখিবা মতুংদা টালিবানন্না হৌখিবা চহীদা মতম খরা প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেল পায়শিনখিবনি।

সাউদর্ন প্রোভিন্স হেলমন্দগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা অফঘান ফোর্সশিংনা প্রোভিন্সতুগী কেপিটেলদা চঙশিল্লক্লিবা লালহৌবশিংবু থিংনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা কন্না খুৎ থোক্লখি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা হায়খি।

নোংপোক্লোমদা নুরিষ্টান প্রোভিন্সতা টালিবান ফাইটর কয়ামুক্না ৱান্টৱেগল দিষ্ট্রিক্টতা এটেক তৌখ্রে। ফাইটিং অদুদা অফঘান ফোর্সশিংনা লালহৌবা ৪০ হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।




## EMPLOYMENT NEWS

**Mazagon Dock Limited – MDL Recruitment 2016 – 1125 Technical Staff & Operatives Vacancies – Last Date 01 September**

Mazagon Dock Limited invites Application for the post of 1125 Technical Staff and Operatives in various trades in Skilled & Semi-skilled grades for appointment on Contract Basis. Apply before 01 September 2016.

Advt. No. : HR-REC-NE/82/2016

**Job Details :**

Post Name : Mistry Grade
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 10000/- (Per Month)

Post Name : Skilled Grade
No of Vacancy : 956 Posts
Pay Scale : Rs. 7500/- (Per Month)

Post Name : Semi Skilled Grade
No of Vacancy : 168 Posts
Pay Scale : Rs. 6000/- (Per Month)

Eligible Criteria For MDL Recruitment :

Educational Qualification :
For Mistry Grade : Certificate of competency (2nd class Master) issued by the Maharashtra Maritime Board/Mercantile Marine Dept. as per Indian Vessel Act. Knowledge of Swimming is compulsory.
For Skilled Grade : Candidates Must have passed SSC or equivalent examination conducted by a Board recognised by the Govt. and must have passed the "National Apprenticeship Certificate Examination in the relevant Trade conducted by NCVT of the Directorate General of Employment & Training, Ministry of Labour, Govt. of India.
For Semi Skilled Grade : Candidates who have passed SSC with NAC in any trade and have worked in Shipbuilding industry as Utility Hand/Chipper Grinder for minimum period of one year.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 33 years (as on 01.08.2016)

Age Relaxation :
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC-NCL Candidates : 3 years

Job Location : Mumbai (Maharashtra)
Selection Process : Selection will be made on Written Test & Trade Test.

Application Fee : Candidates have to pay Rs. 100/- (including Bank Charges of Rs. 40/-) through SBI Challan at any nearest Branch of State Bank of India (SBI). candidates belonging to SC, ST, PWD & Exservicemen category are exempted from paying the Processing Fee.

**How to Apply for MDL Vacancy :** Interested & Eligible candidates may apply in prescribed application form along with MDL's Challan copy & all enclosures send by courier or by post to DGM (HR-Rec-NE), Recruitment Cell, Service Block-3rd Floor, Mazagon Dock Shipbuilders Limited, Dockyard Road, Mumbai-400010 on or before 01.09.2016.

Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application form : 01.09.2016

Important Links :
Detail Advertisement, Application form & Bank Challan Link : http://www.mazagondock.gov.in/newsite2010/pdf_doc/career_Aug16/Ad%20on%20web%2082_11082016.pdf

**UPSC Recruitment 2016 – 146 Assistant Professor, Specialist Grade III (Medicine) & Various Vacancies – Last Date 01 September**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 146 Assistant Professor, Specialist Grade III (Medicine) & Various Vacancies. Apply Online before 01 September 2016.

Advt. No. : 14/2016

Job Details :
Post Name : Assistant Professor Specialist Grade-III
No of Vacancy : 75 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6600/-

Post Name : Specialist Grade III (Medicine)
No of Vacancy : 30 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6600/-

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment:**

Educational Qualification :
For Assistant Professor : MBBS degree qualification included in the First Schedule or the Second Schedule or Part-II of the Third Schedule to the Indian Medical Council Act, 1956 with Post Graduate degree in the concerned Speciality or Super-specialty and three years' Teaching experience as Senior Resident or Tutor or Demonstrator or Registrar in the concerned Speciality or Super-speciality in a recognized teaching institution after obtaining the first post graduate degree.
For Specialist Grade III (Medicine) : MBBS degree qualification included in the First Schedule or the Second Schedule or Part-II of the Third Schedule to the Indian Medical Council Act, 1956 with Three years experience in the concerned Speciality or Super-speciality after obtaining the first Post Graduate Degree or five years experience after the Post Graduate Diploma.
Nationality : Indian
Age Limit : 40 years As on 01.09.2016

Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

Job Location : All India
Selection Process : Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

Application Fee : The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 01.09.2016.

Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Online Application : 01.09.2016
Last Date for Completely Submission of Online Application : 02.09.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/recruitment/advt/2016/Advt.14-16%20Emp%20ORA.pdf
Apply Online : http://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php